# স্কুলশিংদা দিজাইন থিঙ্কিংগী পৱার শীজিন্নরবদি থবক ফংদবা বি এ, এম এ লৈরোই

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

"লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা" হায়বা ৱারোল অমা ঐখোয়না হেক হেক তাবা ফংই। লাইরিক্কা লাইশুগা অনী অসিগী লৌশিং অদু চপ মান্ননা লৈরবদি বি এ, এম এ লোইরগা থবক ফংদবা-এদ্যুকেটেদ অনএমপ্লোইমেন্টকী পাক-চাউরবা ইস্যু অসি তপ্না-তপ্না মাঙখিগনি। মীওইবনা হিংদুনা লৈনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙবা ৱাখল-লৌশিং, থৌনা, হোৎনবা কনবা, থবক শুবদা চীলহাউ থিদবা অমসুং ইশানা ইশাবু ইকায়খুম্নবা উৎচবা অসিনচিংবসি লাইশু খঙবগী খুদম খরনি। শুবা-নোম্বা কনবা মীওইনা হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। লাইরিক হৈবা মীওইশিংনা ঐদি বি এনি, এম এনি হায়দুনা ৱাদনা নুংঙাইবা পাম্বদগী লৈঙাক্কী কোক শাহল্লি, শেল পীজদুনা থবক চঙনবা হোৎনবদা মশাবু মিনিষ্টর, এম এল এ, ওফিসরশিংগী শেন্দানফম ওইহল্লি অমসুং থবক্কী ৱানোম্বদা পীখিবা শেনফমশিং অদু হঞ্জিন্নবগীদমক্তা মবুক শেংদবা মিনিষ্টর অমদি ওফিশলশিংগা লৌতুনদুনা লৈবাক্কী চাওখৎ-থৌরাং পূম্নমক মনীং হলহল্লি।

মথক্তা পল্লিবা "লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবগী" খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা অমাঙবশিং অসি ঙসিদি মালেমগী অখঙ-অহৈশিংনা মশক মুন্না খঙনরকপগা লোয়ননা চহী নৌরিবা অঙাং অমসুং নহাশিংবু লাইশু হায়বসি করিনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহন্নবগীদমক্তা স্কুলশিংদা তমহন্নবা দিজাইন থিঙ্কিং অমদি ২১শুবা চহীচাগী স্কিল নৎত্রগা 6-C হায়বা অনৌবা য়াওলগী মপাঙ্গল কল্লবা পান্বে অমা পুথোরক্লে।

মীওইবনা হিংলিবা তেংবানবগী য়াওল-খোঙচৎ অসি মহৌশাগী হৌনবী অমা ওইনা লেপ্পা লৈতনা হোংলক্লি। হৌখিবা চহী মঙা-তরা অসিগী মনুংদা ঐখোয়না উবা ফংলিবা, মীওইবনা চাওখৎলকপগী অহোংবশিং অসি অঙকপগী মশক্নি। ঙসিগী মতমদা লৈরিবা মহৈ তম্ফমশঙশিং অসিনা হায়রিবা অহোংবশিং অসিগা চাং মান্ননা চৎমিন্নদুনা, মহৈরোয়শিংবু অনৌবা মতমগা চূনবা অনৌবা মহৈ হৈহন্নবা হোৎনবদা শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোঙ্গৎপগুম্না থোক্লে। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা, মায়কৈ কয়াদগী হৌজিক্কী স্কুলশিং অসি হোংলক্লিবা মতম অসিগা চূননা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীবা ঙম্লবরা হায়বা ৱাহং অমা হংনরক্লি। স্কুলশিংগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিবু মশক তাক্লদুনা এদ্যুকেশনগা মরী লৈনবা সিষ্টমশিংগী মমিং লৈরবা সাইন্টিষ্ট পিটর শেঞ্জেনা এদ্যুকেটরশিংগী মফমদা য়াম্না পূক্নীং থৌগৎনীংঙাই ওইরবা ৱাফম অমখক ফোঙদোরক্লি। মহাক্না হায়, "অঙাংশিংনা মতম পূম্নমক্তা মতীক চাবা মহৈ তম্ফমশিং মথৌ তাগনি। মখোয়গী মশাদা য়াওরিবা খঙনীংবগী লাঙতক্লবশিং অদু কোকহন্নবগীদমক্তা হেন্না পাক-চাউবা তেংবানবা অমগা নৌনা শকখঙ-মায়খঙনহন্নবা য়ূম্ফম অমা মতম পূম্বগী ওইনা শেম-শাদুনা থম্বীবা মতম য়ৌরে।"

অশেংবমকসু, ঙসিদি মালেম অসিদা লৈরিবা এদ্যুকেটরশিংনা স্কুলগী এদ্যুকেশন সিষ্টমদা মতমগা চূনবা ইনোভেশনগী মতীক-মঙম অমা চেলহন্নবগীদমক্তা পায়খৎপা য়াবা থবক খুদীংমক পায়খৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। ইন্দিয়াদা ইকুই কুইদনা চৎনবা হৌখিবা ন্যু এদ্যুকেশন পোলিসি (এন ঈ পি) অসিমক হায়রিবা মালেমগী অনৌবা য়াওল অসিদা চঙশিল্লকপা খোঙজং অমনি হায়বা য়াই। অদুম ওইনমক, অয়াম্বা স্কুলশিংনা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী তুংগী লাইবক করিনা লেপকদগে হায়বসি খঙবা ঙম্নবা ফনা কন্না হোৎনবা তারবসু মহৌশাদগী চৎনরকপা অদুবু মতমগদি চূনরক্ত্রবা চাংয়েং পাঙথোকপগী মল্লবা চৎনবী অমদা লুপ্তুনা লৈনরি। মরম অসিনা স্কুলশিংনা, লাক্কদৌরিবা তুংগী মতমশিংদা মশাগী অৱাংবা থাক অমমম থম্বা ঙম্নবগীদমক্তা, অনৌবা মতমগী শীংনবশিং অদু নমখায়দুনা চৎপা ঙমগদবা, মথৌ তাবা মহৈ-মশিন (স্কিল) শিংদা মহৈরোয়শিংবু মখোঙ শোম্বা অমসুং মখোয়বু খঙনীং-হৈনীংবা হেনগৎহনগদবা মওং অমদা হোংদোক্তুনা তাকপী-তম্বীবা মথৌ তারক্লি।

ৱাফম অসিগা মরী লৈননা 6-C হায়রগা হেন্না খঙনবা দিজাইন থিঙ্কিংগী সিষ্টম অসি, স্কুলশিংবু নৌহৌননা মতীক-মঙম হাপ্পা অমসুং ২১শুবা চহীচাগী স্কিলশিং অদু শেমগৎতুনা মহৈরোয়শিংগী মঙম চেলহনবা, মপাঙ্গল কল্লবা অনৌবা য়াওলগী খূৎলায় মখল অমনি হায়বা য়াই। মসি মপূং ওইনা, মীওইবগী য়াইফনবা হোৎনবা (যুজরসেন্ট্রিসিটি), ৱাখলগী হৈ-শিংবা (ক্রিয়েটিভিটি), তেংবাংনবা (কোল্লাবোরেশন) অমসুং তোয়না শীজিন্নবা স্কিল হায়রিবা হীরমশিং অসি শীজিন্নদুনা অনৌবা পোৎশক নৎত্রগা থৌওং পুথোকপা (ইন্নোভেশন) গী য়ূম্ফম থোনবা সিষ্টম অমনি। অমরোমদা, দিজাইন থিঙ্কিং হায়বা অসিবু মীওইবগী পূক্নীংগী হোংদোকপা য়াদবা মচৎ (মাইন্দসেট) অমা ওইনা নৎত্রগা থৌওং (প্রোশেস) অমগুম্না লৌবসু য়াই। সিষ্টম অসিনা মীওইবগী মফমদা মশানা মায়োক্নরিবা লুরবা ফীভম কয়াবু লায়থোকহন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা মথৌ তাবা পোৎচঙশিং অদু খঙবা ঙমহন্নবা হোৎনৈ, আইদিয়া পুথোকই, মান্নবা মওংশিং শেম্মী অমসুং চাংয়েং পাঙথোকই। অসিগুম্বা মহৈ-মশিন তম্বীবগী মওং অসিনা, মমাঙদা মশাগী খঙনীংবা কয়া অদু খঙবা ঙমদনা লৈরম্বা, অদুবু অনৌবা ওইথোকপা য়াবা পান্বে কয়া মশক খঙলবা নহারোলশিংগী পূক্নীংদা মশাবু মতীক চারবা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমনি হায়বগী ৱাখল অমা পোকহল্লি।

ঙসিগী মহৈরোয়শিং অসি, মতমগী মতুংইন্না অচৌবা ৱাখল খনবা অমসুং অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা অহোংবা কয়ামরুম লাক্লিবা অসিগা চূননা হিংবা তমদবা য়ারক্ত্রে। দিজাইন থিঙ্কিংগী লাইশু অসি ঙল্লিভৈদা নীংথিনা খঙহৌরবদি মতমগা চূননা হিংবা ঙমগনি। হীরম অসিবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা শিন্তাকলোইশিং, মমা-মপা, এদমিনিষ্ট্রেটর হায়রিবশিং অসি য়াওনা, স্কুলশিংগী থৌবু পূম্নমক অমসুং মীয়াম্না থৱায় য়াওশিনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। এদ্যুকেশন হায়বসি অঙ্ক খরা হোৎপা নৎত্রগা হকচাং-কয়াৎকী মওং-মতৌ (এনাটোমি) খরা খঙলগা হেক্তা ওইবা য়াদে হায়বা ৱাফম অসি মহৈ-মশিন তম্বীরিবা মীওইশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা খনবীরিবশিংনা খন্থবা মতম য়ৌরে। থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াগদবা ক্রিয়েটিভিটি অমসুং ক্রিটিকেল থিঙ্কিংগী প্রোশেস অমগা লোয়ননা, মহৈরোয়শিংবু শীংনবা খূদীংমক্কা মায়োক য়াবা ঙমহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা এদ্যুকেশনগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি।

শিন্তাকলোইশিং অমসুং মমা-মপা ওইবশিংনা নৌরিবা মহৈরোয়শিংগী পূক্নীংদা দিজাইন থিঙ্কিং হায়রিবা থৌওং অসিগী মমি অমা তপ্না-তপ্না তাহনবা ঙম্নবগীদমক্তা, মখোয়না নুমিৎ খূদীংগী থেংনরিবা মমান্নবশিংগা শান্নমিন্নবা অমসুং অপীকপা কা অমদা মহৈ তম্মিন্নবগী মওং-মতৌ নৎত্রগা ঈশিং, চে অমদি ইলেক্ট্রিসিটি অসিনচিংবা পোৎশকশিং কা হেন্না শীজিন্নদুনা অরেম্বদা মাঙহনবগী মতাং হায়রিবশিং অসিগী অফ-ফত্তশিং অদু ৱারী-ৱাতাই শানদুনা কূপ্না নৈনবা য়াই। থৌওং অসিনা মখোয়বু তুংদা মীওইবনা মায়োক্নরিবা অরুবা ফীভম কয়া থেংনবদা মতেং পাংগনি। অসিগুম্বা, মশা-মশাগা হকথেংনবা প্রোজেক্টশিং অসিদা মহৈরোয়শিংনা মমান্নবশিং নৎত্রগা মথক থোংবা অহল-লমনশিংগা উনদুনা মশাগী ৱাখলশিং অদু ফোঙদোকপা অমসুং পূন্না খন্ন-নৈনদুনা চাংয়েং মখল কয়া পাঙথোকপা ঙমহনগনি। অসুম্না চাং নাইনা পাঙথোকপা, মীওইবগী য়াইফনবা হোৎনবগী থৌওং অসিনা অনৌবা ৱাখল পুথোক্লিবা মীওই অমসুং মদুগী কান্নবা ফংলিবশিং অনীমকপু খূৎশম্নহন্দুনা অরুবা ফীভম কয়া লায়থোকহনবা ঙম্বা মীওইশিংগী কাঙলূপ অমা ওইনা হিংহনবা হায়বসি, খুদোংথীবতনা লাঙ্গোই চল্লবা মালেম অসিদা তন্নমক মথৌ তারক্লি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা মহৌশাগী ওইনা লৈনবা মরম্না অঙাংশিংগা নক্না লোয়নদুনা য়াম্না কান্নগদবা মওংদা থিজিন-হুমজিনবগী চাংয়েং কয়া পাঙথোকহন্নবা অমসুং ৱাখল খন্থহন্নবা হোৎনরবদি, মদুনা দিজাইন থিঙ্কিংগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা স্কুলদা চাউনা তেংবাঙবা ঙমগনি। ঐখোয়না অঙাংশিংদা মহৈ-মশিন তম্বীবগী হীরম অসিবু মতমগা চূনবা মওংদা শেমগৎনবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিংগী পূক্নীং মশক মুন্না খঙবীবা অমসুং মখোয়বু নুংশিনা লোয়নবীবা মথৌ তাগনি হায়বা ৱাফম অসি কাউবীরোইদবনি। থৌওং অসিনা দিজাইন থিঙ্কিংগী খুত্থাংদা মহৈরোয়শিংবু মখোয়না মায়োক্নরিবা শীংনবশিং অদু মশাগী অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা থেংনহনবদা মতেং ওইগনি।

দিজাইনর, বিল্ডর অমসুং এদ্যুকেটর ইমিলি পিল্লোটোন্-লামনা হায়, "ঐখোয়না তুংগী অনৌবা পূন্সি অমগী মশক শাগৎপা মতমদা, নহারোলশিং অসিনা খ্বাইদগী হেন্না অথোইবা লন অমসুং শীজিন্নদ্রিবা মচাক অমনি হায়বা ৱাফম অসি চপ মান্ননা য়ানীংফম থোকই।" এদমিনিষ্ট্রেটর অমসুং মীয়াম পূম্নমক্না, দিজাইন থিঙ্কিংগী সিষ্টম অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনরকপা খোঙথাং খূদীংমক্তা শৌগৎপীয়ু। মহৈরোয়শিংবু অৱা-অনাগী মতেং পাংবা নৎত্রগা উপাল-ৱাপাল থাবনচিংবা মালেম অসিনা মায়োক্নরিবা ইস্যুশিং অসিদা শরুক য়াহনবা য়াই। মখোয়গী খূৎ, কোক অমসুং পূক্নীং হায়রিবশিং অসি মতৌ করম্না শীজিন্নগদগে হায়বসিগী মতাংদা দিজাইন তৌদুনা পুথোকপা তম্লবদি নৌরিবা পূক্নীংশিং অসিদা করিগুম্বা আইদিয়া অমবু থবক ওইনা মহয় য়ালহন্নবা অমসুং পূম্নমক্কী ওইনা কান্নগদবা অমসুং চৎনবা য়াগদবা পান্বেশিং পুথোকপা ঙম্বগী মতীক-মঙমশিং অদু হাপ্তুনা অচঙবা মী হায়বদু ওইহনগনি।

ৱারোইদা, দিজাইন থিঙ্কিংনা অনৌবা ফীভম অমবু অকিবা করিসু য়াওদনা থেংনবা, অহোংবশিংবু তরাম্না ওকপা, পূন্না থবক তৌমিন্নবা, খূৎলোয়রবা অমসুং চাং য়েংনীংবগী পূকচেল অমগা লোয়ননা, মীয়ামগী ওইবা ৱারেপশিংবু ইকায়খুম্নবা হায়রিবশিং অসিগী মতীক-মঙমশিং অদু চেলহল্লি। দিজাইন থিঙ্কিং হায়বসি মালেম অসিবু অনৌবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা লাইরিক হৈবা মীওইশিংগী লাইশু মখল অমনি। থৌওং অসিনা তুং কোইনা চৎনবা য়াগদবা, পূম্নমকপু কোনশিনবা অমসুং য়াইফরবা তেংবানবা অমা পুরক্কনি। ●

# ঙমখৈ ঙাকপা, অরাম্বাই তেঙ্গোল

**- রাজেন তোইজাম্বা -**

***"কংলৈপাক অসিগী মায়কৈ মরি ঙাক্লিবা কৌব্রু, ৱাংব্রেন, থাংজিং, মার্জিং - নখোয়গী নখুয়াদা খুরুমজে। ঙসি কংলৈ খুন্নাইনা হিংজরক্লিবা অসি লৈহৌ-নোংহৌরকঙৈদগী চায়োক নাউয়োকপীরক্লিবা ইপা-ইপু ওইনা লেংবা কৌবা লৈতনা লেপ্পীরক্লিবা চীংজাও-চীংশাং পরেংশিং নখোয় লৈবদগীনি। অদুগা পলেম খোল্লাংনগুম্না থৱায় য়াইবী পীনা লাইজ চিন দম্বীরক্লিবা য়াংদৌ তুরেলশিং, অমনা লেপ্লে চরা চইন-তম শাম্মা পাঙ্গল হাপ্পীরক্লিবা কোনয়া পাৎলেন ঈরেলবুংশিং নখোয় লৈবদগীনি। কংলৈ ঈগী ঈরিকশিংনা খুনপান লৈপান্দুনা খোইরী লীনশাং তাফম ওইজরিবা নখোয়গী নশাইগোন অসি লৈজবনা থৱায়শিং অসি হিংজরিবনি।"***

কংলৈপাক মচাশিংনা মশাগী ঙমখৈ ঙাকচনবা থৌনাগী ঈহৌ করিদগী পোল্লকপগে? অরাম্বাই তেঙ্গোল লীংলকপগী ঈ অসি কংলৈপাককী হৌজিক্কী থৱায় মীরেল ওইরিবা ইপাথৌশিংদগী করম্না পোল্লকপনো? করিগী শাফি-লানফী শেৎলগা মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা মরৈপাক্কীদমক্তা শিরগে-চোংথোরকপনো? খাঙবা ঙম্লক্তবা, মথম্মোয়দা চাল্লকপা, মাগী ফূরুপ, মাগী খুন্নাই মরৈপাক অসি মীতোপশিংনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্তুনা মুৎখিবা তারে হায়বসিদগী নৎত্রা? মসিবু অশেংবা কংলৈচাশিংগী তৌফম থোকপা ঈ অশেংবা ঈ-শিংগী থৌদাং অদু নৎত্রা?

চহী লিশীং কয়া তম্পাল্লম ময়োল অসিদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা লুচিংদুনা কংলৈপাককী ঙমখৈসি ঙাল্লক্লিবনি। হৌজিক করি ওইরবগে? হৌজিক কংলৈপাককী ঙমখৈ কদাইনো? ৱাহং অসি অকেমফাৎতা হিংলিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবনি, মীগী মরলদা মরলনি লৌজরিবা, মীগী য়াকা নৎত্রবদি মশাগী ৱারেপ অমদি মথৌদাং খঙজদ্রবা, ফমজাও শাগোন্নরিবা, লৈঙাক্কী লুচিংবা অমদি তৌশিন্নদুনা সোসিএলাইট শারিবশিং অসিদগী পাউখুম শুকফং ফংলরোইদবা অমনি। বৈষ্ণব ওনখ্রবা, সাহেব শাখ্রবা, লাইনীং-লাইশোন ওনখ্রবা, মনাৎকী মচীঞাক চাখিদ্রবা কংলৈ মচাশিংনা মীমাংদা থোক্তুনা মরৈপাক্কী ৱা ঙাঙদুনা লুচিংবা শারিবশিংবু তৌশিন্নবা লীলাগী হিরো নৎত্রা? তশেংনা মরৈপাক নুংশিবদি অৱা-অনা হকথেংনরিবা হৌজিক্কী লৈঙাক্লোন্না তৌশিন্নদুনা কোনবদা চাকথুংদ্রবা, ফিথুংদ্রবা থৱায়শিং অসিদগী হৌরক্লিবা ঈহৌ অসিনি। মসিদগী থোরকখিবনি অরাম্বাই তেঙ্গোল অমদি খুলঙাকপশিং। মখোয়দদি তৌশিন্নবগী শেংদ্রবা অমাঙবা ঈ অদু পক্ত্রবনি। অদুবু মখল মখা কয়াগী য়াই থারকখিগনি থৌনা লিংজেল থমাইখিননবা। হনবা য়াদে নরৈপাক কল্লু। হৌজিক্তি মীতৈ কংলৈচাশিং লীচৎ-শাজৎ, লাইনীং-লাইশোন, মশাগী মনাৎ পূম্নমক চাওখৎপগী মীংদা মখল কয়াগী য়াই থাজিন্দুনা থমাইখ্রবা খুন্নাই হায়বদো ওইরবনি। মসিদগী নাম্থোকপা অরাইবা ওইররোই। অশেংবা ঈ-শিংগী ঈ কৎত্রিমখৈ ঙমখৈ ঙাকচবা, ঙমখৈ কঞ্জবা, শক্তম ঙাকচবদি ওইথোক্লরোই।

হৌজিক নীংতম্বা নৎত্রগা মদোম হিংজনবগী ঈহৌ নোংমা নোংমগী মপাঙ্গল হন্থরক্লি। ঙসিগী মণিপুরগী চীংশাংশিংগী অকোয়বগী ঙমখৈ অসি ঙাকচনবগী ইপাঙ্গল শুক্লে লৈত্রবনি। চীংগী লমশিংদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংগী পূন্সিসু য়াম্না হোংখ্রবনি। বৃটিশশিংনা পীরকপা ইংলিস এদ্যুকেশনগী ইম্পেক্ট অসিনা কংলৈপাককী চীং অমসুং তমগী পূন্সিদা অতোপ্পা মায়কৈদা মঙাল কয়াদি পীখি। তৌবদি ইংলিস এদ্যুকেশনদগী পীরক্লিবা মঙাল অসিনা চীং অমসুং তম অনীগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তানহল্লকখিবনি হায়বসিদি হিসাব তৌনরুদে। তুররিংবা, চাওচৎ চৎপা মতমদুগী সনা কোনুংগা নক্লবা লাইরিক হৈবনি শীংথানখিবা মীওই তরা কুননা পংজরবা লৈপাক মীয়াম্বু শেরান্নবা মায়কৈদা চীংদুনা মরৈপাক নুংশিবগী ৱাখলদগী থৈদোকখি। তম্পাক্তা, চীংদা ইংলিস স্কুল, কোলেজ কয়া লিংখৎপিবগা লোয়ননা বেপটিষ্ট মিশনগী মিংদা চীংগী কাঙলূপশিংবু হোয়দুনা পুখি। তমদনা হিন্দু লাইনীংগী ফিদমদা অমাং-অশেংগী লীচীংনা চীংগী কাঙলূপশিংদগী তোখায়না লৈরকখি। মনুং হুনজিনবা চীংগী মফমশিংদা খৃষ্টিয়ান লাইনীংগী লাইশঙ কয়া শাগৎলকখি। স্কুল কোলেজ কয়াসু মিশনগী মিংদা হাংদোক্তুনা অনৌবা মায়ওন অমদা চৎখি। চাওখৎপা অমসুং মশাগী ফূরুপকী মশক মাঙখিবা অনীসি থেঙ্গাইনবদা নাকল অমদি মাঙ তাক্তুনা লৈহৌরে। চীংমী ফূরুপশিং মশাগী লাইনীং ঙম্না কাউথোক্তুনা বাইবল কোল্লগা যিশু খৃষ্টকী মিঙ্খৈবু কোরেল শক্তুনা চাওখৎ লম্বীনি খন্নদুনা চৎনখ্রে। মসিগা কোন্ননা ১৯৭৯গী মতুংদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক পথাপকা তিনশিন্নখিবা মতমদগীদি চীংমীশিংনা মীতৈশিংবু লম্লানবা ওইনা উবা হৌখ্রে। অমাং-অশেংগী ৱাখলতনা লাইচুরবা মীতৈশিংনসু চীংগী মীয়ামবু শোকহৈদবগুম লোয়নখিবা মতম কয়া চথুরকখ্রে। জ্ঞান তানখিদ্রবা ধর্ম্ম লাইনীং অমদি পোলিটিকেলগী পোরম কয়ানা কংলৈপাককী ইতিহাসপু অনী থোক্না শেগায়দুনা হৌজিক্তি ইবা তারি। চীংগী অচৌবা কাঙলূপ অমনা ইন্দিয়া লৈঙাকপু শীংনবগী অকনবা ঈহৌ শাগৎলকই। অদুবু মদুগী মরক্তা ৱাখল তাদবা অমদি তম্পাক্কী মীতৈশিংবুনা মীতোপ-য়েক্লবা ওইনা লোয়নরকপা অসিনি। কদাইদগী শেৎতোল্লগা কদাইদা নপশিন্দুনা ফোৎকদৌরিবনো খঙদবা চীংগী লুচিংবশিংনা মখোয়গী নীংতম্বা লালহৌগী মেনিফেষ্টো কয়া চেনা মশীং নাইদনা শেমগৎলকই। মসিগী মরক্তা চীংগী কাঙলূপ মচা-মচাশিং কয়ানা ফেৎ-ফেৎ হাইদুনা খাঙখি। হৌজিকসু খাঙলি। অমরোমদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না থাদরক্লিবা চাওখৎপগী শেলয়াম অদু লুচিংবা খরনা হাইহত্তুনা চহী চা কয়া ফংলক্ত্রবা নুংঙাইরবা অনৌবা পূন্সি মহিং অমদা লাইচুবা হৌখ্রে। হৌজিক্তি লুচিংবশিং অদুগী পূন্সিগা মশাগী মীয়ামগী পূন্সিগা শম্নবা ঙম্লক্ত্রে। কিহন-খংহনবনা হেল্লকপনা মাগী মশাগী মীয়াম্না মমায় লৈথোক্লরকখিবদগী অকনবা নীংতম লালহৌ তৌরগা মদু মনীং হন্দুনা লেপ্পা তারক্লে। লৈবাক মীয়াম্না থৌওইরক্ত্রবা হায়বসি লালহৌ নৎত্রগা ঈহৌ অদুগী খোঙচৎ মনীং হন্দুনা চৎলক্লবা নৎত্রা?

হৌজিক্তি চীং তমগী য়েলহৌমী পূম্নমক লম্মুক্লরে। মাগী মাগী য়েন্নখাদা ঙরাংতা চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা শম্বল খাজিল্লক্লে। মাগী মাগী চাকখুম ময়াদা মীতোপশিংনা অমাংশঙ শাজিল্লক্লে। মসি কনানা ৱায়েনগনি। ইশা-ইশানা হকথেংননা ঙাকচনবা, ৱায়েল তৌজনবা হক কনানা মুনখ্রবগে? মসিগী পাউখুম অদু লৈতবনা নৎত্রা খূৎ থেক্তুনা, নীংদোল পোমদুনা, থবাক খূত্তুম শুদুনা, তৌফম খঙদনা লেপ্লিবা হৌজিক্কী মীরোল।

মথক্কী ৱারীশিং অসি চাবা থকপা ফংলিবা, ফম মচা অমমম শাগোন্নরিবা, কদাই-কদাইদগীনো মচুম খরা লৈতোন্দা তংবা ফংলিবা মীওইশিংনদি শুক্তা তানীংলোই। হৌজিক্কী মীওইবগী লায়না অমদি য়াম্না থুনা কাউগনবা অসিনি। ঙরাংদা নমাগী থবাক্তা কাপশিল্লক্তুনা নাহেদুনা খাঙখিবা অদু নোং ঙাল্লকপদদি করি নিশাননো হেক্তা কাউথোক্লিবা? ঙমখৈ ঙাকপগী লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিং করম্বা পুৱারীগী চেনাদা কনানা ইশিল্লিবগে? মখোয়গী ঈখেংশিং অদু কনাগী করম্বা লৈশাদা তিনখিবগে? ভারতকী কোনুং সনথোং ইন্দিয়া গেটতা মরৈবাক্কী নীংতম লানদা কৎথোকখ্রবা মরৈপাক নীংবা সহিদ কয়াগী মিংলেন হক্তুনা থল্লি। কথোকখ্রবা, মশাগী ঙমখৈ ঙাকচনবগীদমক মথৱায়না পোম্থা পীখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মিংলেন্দি কনানসু ইবিররোইদ্রা?

কংলা লাইফমলেন্দা মফূরুপ, মরৈপাকপু কন্ননবগী ৱাশক পরৈ চন্নখিবদো কাউথোকপা য়াদে পাথৌশিং। লৈশেমঙৈদগী উত্রা কংলাদা মেন তোংদুনা লাইনিংথৌশিং অদুনা নরৈপাক অসি চহী লিশীং কয়া ঙাক্তুনা পুথরক্লিবনি। লাইনিংথৌ, ইনিংথৌশিং অদুনা মরৈপাক্কীদমক কংলা মেন তোংদুনা ফম্বাল তোংখিবা অদুদা ৱাশক অসি লৌরিবনি। "মরৈপাক ঙাকপা, ঙমখৈ ঙাকপা"।

হৌজিক মীতৈশিংনা চীংমীশিংগী অনৌবা শক্লোন করিনো খঙদ্রি। চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা নোংথোম্বম বিরেন অমদি ইনিংথৌ লৈশেম্বা অনীনা ২০২৩গী ঈহৌদা মিকপ থোক্লমদ্রবদি চহী খরতগী তুংদদি লৈপাকসি করি ওইরমগনি। মফম মরাং খঙদনা চংশিল্লকখিবা মীরান লম্বাশিং অসিনা শম্বল খাবা ঙমদ্রবা লমখৈদগী হেনজিল্লক্তুনা চীংখোঙ চীংয়া খুদিংদা লেপ্তুনা খুন দাশিল্লকপনা কৌব্রু, থাংজিং, কোংবা মরূ লাইফমলেন, কোন্দোং লাইরেম্বী, ইবুধৌ ৱাংব্রেনগী মখুভম্নচিংবা পূম্নমক লৌশিনখ্রবা নৎত্রা? মসিদগী অমুক হেনজিল্লক্তুনা সনা কংলাগী নাক-য়েৎ, মনীং-মমাঙ, খা-ৱাং য়ৌশিল্লক্লম্লবা নৎত্রা? হৌজিকসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পোলিটিক্সকী পোরম মীতৈশিংনা উবা ঙম্বা নত্তে। ঙমখৈ ৱাংমদগী হুরান লান্নাদা চোংশিল্লক্লিবা লেপ্তুনা লীৎশিল্লক্লিবা ময়ামসিনা মশীং য়াম্না কুপশিনখ্রবা মতমদদি চথুরিবা লৈঙাক্লোন অসিনা ৱায়েনবা ঙম্লরোই। নুমিৎ অদু য়ৌরক্লবদি - । মতম অদু লাক্লবদি - পাথৌশিং...। ●

# ওগষ্ট থানা লাকপদা পূক্নিংদা ফাওরকপা ৱাখল - (১)

**- কাংজম হেমন্ত -**

ওগষ্ট থানা লাকপসিদা ৱাখলসিদা তঙাইফদনা ফাওরকপা ৱাখল অমা লৈ মদুদি, নীংতম্বা অমসুং মীখা পোনবা। ওগষ্ট ১৩, অথৌবশিংগী নুমিৎ! মীখা পোনখ্রবা মণিপুরবু মনীং তমহন্নবা থেংনখিবা নীংতম লানদা মথ্বায় কৎখিবা নত্তবা! মচিন-মনাও নিংথৌ খুভম মুন্নবা, নুংশিনদবগী মতিক মরৈবাক্তা মীচেন ওইনা চৎখ্রবা মীতৈ নিংথৌনা, মাবু নিংথৌ খুভম হঞ্জিনহনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না, অকনবা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টশিংগা নিংঙাই শংদানরকপদগী থোকখিবা এঙলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ অদুগী মতুংদা মণিপুর লৈঙাক, বৃটিশশিংগী মীনুংশি মখাদা লৈরকখি। নিংথৌ খুভম মুন্নবা, নিংথৌ মচিন-মনাও মুক্লবা, তংদু লৈতাদবা পূম্নমক্তুগী মরু ওইবা মরম কোইরেংস্না (টিকেন্দ্রজিৎ) নি খন্দুনা, মতমদুগী অনৌবা নিংথৌ ওইরবা কুল্লচন্দ্রদা মহাকপু নিংথৌ ওইনা শকখঙলগে টিকেন্দ্রজিৎপু বৃটিশশিংদা ফাদোক ওইনা শিন্নৌ হায়বদুদা য়াদবদগী থোকখিবা ৱাথোক অমনি। কুল্লচন্দ্রনা নিংথৌ ওইজরবসু, অশেংবা লৈঙাক পায়রিবদি টিকেন্দ্রজিৎনি। মহাক্তবু ফাদুনা ফাদোক ওইনা থমখ্রবা, মহারাজ সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনা হল্লক্কনি হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। মখা তাবা টিকেন্দ্রজিৎ ফানবা বৃটিশকী অরোনবা থৌরাং কয়া মায়পাকখিদ্রবা মতুংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মহয় ওইনা, অসামগী চীফ কম্মিস্নর মিষ্টর ক্লিন্টন য়াওনা বৃটিশ ওফিসর মঙা হাৎখিবা, থৌদোক্তুনা খোয়শাওনহল্লবা বৃটিশশিংনা মণিপুরগী মথক্তা মায়কৈ অহুমদগী লান্দারকখি, মণিপুর মায়থীখি। টিকেন্দ্রজিৎ মীরোৎ ওইখি। মমৈথংদা ফাদুনা থাঙ্গাল জেনরেলগা লোয়ননা কুমজা ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩দা ফৈদাপুংদা মীয়াম মাঙদা মঙক্তা থৌরী থুদুনা হাৎখি। মতমদুগী অথৌবশিংগী ৱাখল্লোন, মমা লৈবাকপু নুংশিজবা অমদি কন্দুনা থমজনীংবনা মাঙদা থমদুনা, ***মীখা পোন্দুনা হিংগদবগী শরুক নীংখা তম্নবগী লানফমদা থৱায় কৎখিবনা হেন্না ফৈ।*** নুমিত্তুবু নীংশিংলগনি পাঙথোক্লিবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ।

ওগষ্ট ১৫না ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ ওইখি। করিগুম্বা মণিপুরনা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরমদদুনা অপীকপা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বা থোল্লবা ওগষ্ট ১৪ মণিপুরগী নীংতম নুমিৎ ওইনা পাঙথোক্লরমগনি শোয়দনা। মরমদি, কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুরগী লৈঙাক বৃটিশশিংনা মহারাজ বোধচন্দ্রদা খূৎশিন্নরমখি। মতুংদা মহাক্না নিংথৌ খুভম থাদোক্তুনা মণিপুরদা চীং-তম অপূনবগী লৈঙাক পথাপ অমা শেম্নবা থৌশিল য়াৎলকখি। মীয়ামগী মীখল পাঙথোক্তুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ কাউন্সিল শেম্লমখি। অদুবু অচৌবা লৈবাক অমনা লৈবাক মচা অমখক য়োৎশিন্নবা হোৎনরকপা, মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট ১৯৪৯, মণিপুরগী ফম তারবা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু খূৎয়েক পীহন্দুনা কুমজা ১৯৪৮গী মণিপুর মীখল অরেম্বদা তাহনখি। ওগষ্ট ১৪, মণিপুরগী পুৱারীদা নীংশিংনীংঙাই ওইবা নুমিৎ অমা ওইরমগদবদু ওইখিদে। অসুম্না ওগষ্ট ১৫, ইন্দিয়ন ইন্সপেন্দেন্স দে ওইখি। অসুক শাংলবা চহী অসিগী মতুংদা মণিপুর ঙসিদি নীংখা তম্বগী মহাও অদু মণিপুর মীয়াম্না চপ চানা ফংলিব্রা হায়বসি ৱাহং ওইরক্লি। বৃটিশকী মখূত্তগী নীংখা তম্লবা মতুং ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনশিনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা মীয়ামগী ৱাহং অসি লাকখিবনি। ● (মখা চথজরকখিগনি)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২০গী ৱাহং**

১) "নীংতম্বে 'ই কোরৌ মঙালনা তরং তরং
সনা ঈরিক চাইথবগুম চাইথরক্লেনে
ঙসি নোংপোক চীংদোমপোক্তগী।"
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "লৈরি নঙদি থম্মোয়নুংদা" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু।

৩) "নীংশিং লকানুংদগী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) প্লেটোগী 'দ রিপব্লিক' হায়বা দাইলোগ অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) "লাইরিক অসি পারক্পদ মসিদ শীজিন্নরিবা ৱাহয় ৱারেংনচিংব অসিদ মপালথোংদ মতিক চাবা সাহিত্য অমা ওইনা উবগুম্ মনুংগী ভাবত য়েংলগদি বিজ্ঞান্গী অথুপ্প ৱা ফজন ফোংদোকই।"
ৱাহৈ পরেং অসি অরিবা লাইরিক অমগী 'ৱামাঙ য়ান্বা ৱাহয়্ খর' গী মনুংদা ইবনি। লাইরিক অসিগী মমিং ইরকউ।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**ওন্নখিবা :**-পাউচে অসিগী ঙরাং লমায় অসিদা ফোঙখিবা মোইরাংথেম নবকিশরগী **"মণিপুরদদি ঐ শুংচৎ চৎলরোই"** হায়রিবা আর্টিকল অসিগী অনীশুবা কলমগী মঙাশুবা পেরগ্রাফতা য়াওখিবা ...মতমদুগী মণিপুর কোংগ্রেসনা **সিট ৪৪** হায়খিবা অদু ... মতমদুগী মণিপুর কোংগ্রেসনা ***সিট ১৪*** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক পাবিরিবশিংনা ঙাকপীগনি।
**-প্রুফ রিদর**